# মঙ লল্লোনবা ... মঙবু লল্লোনপোৎ অমরা?

তোয়না শীজিন্নরবা মল্লবা পোৎ হায়বসিগী মহুৎ ওইবা য়াবা অতোপ্পা ৱাহৈ অমনি ‘খুনাঙ চারবা পোৎ’! তোয়না শীজিন্নবা ওইরবসু পোৎ অদুগী শীজিন্নফম লৈরবা, পোৎশক অদুসু মথৌ নীংথিনা তৌরিবা ওইরবদি পোৎ অদু খুনাঙ চারবা পোৎ হায়বদু ওইদে। খুনাঙ চারবা, মথৌ তৌদ্রবা পোৎ অদুদি খন্দোক্তুনা হুন্দোকখ্রগা অনৌবা অমনা মহুৎ শিনবা-চৎনরকই থায়নদগী। অদুবু, হঞ্জিন হঞ্জিন, লেপ্পা লৈতনা শীজিন্নরবসু মন্থবা লৈতবা, পৎপা নাইদবা পোৎশক অমখক লৈ। মদুদি, মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংমক্কী পুন্সিদা ‘মায়পাকপা’ নৎত্রগা মায়থীব’গী মরম ওইরিবা ‘মঙ’ নৎত্রগা ‘মঙলান’ হায়বা শক্লাইদবা পোৎশক অদুনি।

‘মঙ’! মঙ হায়বসি করিনো? মসিনি হায়দুনা চপ চানা মশক তাকপা য়াদবা পোৎশক অমনি মঙ! মরমদি - মঙ হায়বসি তাইবঙসিদা থোকপা থৌদোক নৎত্রগা খিন্দুনা লৈবা পোৎশক অমা নত্তে। তূম্লিঙৈদা থোকপা থৌদোক অমনি - মঙ! ‘... ইবুংঙো ইমা ঙরাংদি মঙ নুংঙাইরমদে, মপান-ইপান থোকখিনু, চৎথোকখিনু’... মমা-মপা, অহল ওইবশিংনা মচা ওইবশিংদা হায়নরম্বা ৱাহায়নি। ঙসিসু হায়নরি। মমা-মপা ওইবশিংখক্কী কন্সর্ন নত্তে। ঐখোয় মশেন মরক্তসু তত্তনা শীজিন্নবা ৱাহায়নি - ঐহাক মঙ নুংঙাইরম্মী, নৎত্রগা, নুংঙাইরমদে। মঙদা অদু উরম্লবদি ফৈ, অদা উরম্লবদি ফত্তে - অসিনচিংবা কয়া হায়নরকই। ‘মঙগী ফল’ - লাইরিক হৈবা অমসুং হৈতবা, মী মখল অনীমক্লা পানীংবা/পানবা লাইরিক মখল অমনি। সাইকোএনালাইসিস হায়বা সবজেক্টসিগী মপানি হায়নরিবা ‘সিগমন্দ ফ্রোইদ’ - নসু মঙগী মরমদা কূপ্পা থিজিন-হুমজিন তৌরম্মী। মহাক্লা হায়রম্বনি ... ‘ফোঙদোকখিদ্রবা ঐখোয়গী ইমোসন (পূক্নিং-ৱাখলদা ফাওখিবা ইথিল) শিং কৈদৌঙৈদা লেম্না মাঙখিদে, পূক্নিংগী লৈরোন্নুংদা হিংনা ফুমজিন্দুনা থমখ্রগা অতোপ্পা শকওং অমদা মঙ ওইনা শকফোঙলকই’... ‘অচুম্বা চৎপা, ধর্ম্ম লৈবা মীশিংনা মঙলান ওইনা মঙলগা পেন্থোকপা থবক্তু অরানবা তৌবা, মীফত্তশিংনা পুন্সিদা থবক ওইনা পাঙথোকই’...। দ্রিম স্পেসলিষ্ট ‘গেয়লি দেলানি’না ইবা ‘ওল অবাউট দ্রিমস’ হায়বা লাইরিক অদুদসু তূম্লিঙৈ মঙবা মঙগী মরমদা কূপ্পা, শুগাইনা ইরি - করিগী মঙ মঙলিবনো, কদাইদগী হৌরকপনো, করম্বা মঙনা ঐখোয়দা করি হায়রিবনো (মঙগী ফল করিনো) ... অসিনসিচংবা। কনাগুম্বনদি মঙ হায়বসি সিরিয়সলি লৌরগা, অতোপ্পা কনাগুম্বনদি ‘মঙগী ৱাবু... করিনো’ হায়না ইয়াং য়াংনা, করিসু ওইদনা খন্দোকপসু ময়াওই। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মীওইবনা ৱাখল খনবা হৈরকঙৈদগী মঙ হায়বা থৌওং (ফেনোমেনন) অসি থেংনদুনা লাক্লবনা, চহী কয়াগী মমাঙদগী সাইন্টিষ্টশিংনসু নৈনদুনা লাকই - মঙ হায়বসি করিনো? করিগী মঙ মঙলিবনো? কমদৌনা মঙ মঙলিবনো? ৱি দ্রিম টু ফোরগেট (মঙ মঙলিবসি কাউথোক্লবনি) হায়বা থিওরি অমগা ‘ৱি দ্রিম টু ফোরকাষ্ট’ (তুংদা থোক্লগদবদু তাক্লনবা মঙ মঙলিবনি) হায়বা থিওরি অমগা - ৱাখল্লোন অনী থোক্লকই। অনীমক অচুম্বনি হায়বা উৎননবা মতিক চাবা প্রমান লৈ। নিউরোন সেলশিংদা তূংশিন্দুনা লৈখ্রবা মেমোরি (নীংশিং শক্তম) শিং, মূৎলমদাই থাওমৈনা খংঙান ঙাল্লম্বগুম, নিউরোনশিংদা য়াওরিবা প্রোতিন (আর এন এ) অদু মূৎলমদাইদা, তূম্লিঙৈগী সব-কন্সিয়স-মাইন্দ অদুদা অমুক-অনীরক এক্টিভেট তৌরম্লগা মাঙখিগনি। থৌওং অদুবু ‘মঙ’ কৌই। অদুগা, অমরোমদা ৱারী অমগা লৈ। মালেমসিবু খুদুম চন্দুনা, মালেমগী মপু ওইগনি থোক্লকখিবা ফ্রেঞ্চ-রুল্লর-নেপোলিয়ন, ‘ৱাটরলু’ গী লানফমদা মায়থীরগনি হায়বসি, লান অদু থোক্ত্রিঙৈ চহী কুনমঙাগী মমাঙদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন মঙখিবা মহাক্কী মঙ অমনা মাঙজৌননা খঙহনখি। মহাক্কী লান্মী দেপ্যুটি জেনরেল অদুদা মহাক্কী মঙ অদু মঙলকপা নুমিৎ খুদিং তত্তনা ৱারী শারমখি হায়। মহাক্কী মঙদা উখিবা লানফমদুমক্কী শক্তম ‘ৱাটরলু’ গী লানফমদুদা উরকপা মহাক মশানা মশাদা হায়জখি - ‘লানফমসিদা ঐহাক শোয়দনা মায়থীরগনি’। সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন-হুমজিন তৌবদগী খঙলকপা, অতোপ্পা, মীনা খঙনদবা ৱাফম অমদি ‘পোকপদগী মীৎ উদনা পোক্লক্লবা কনাগুম্বা অমনা তূম্বদা কৈদৌনুংদা মঙ মঙদে’ হায়বসিনি। মসিনা তাকই, মদুদি, মঙ মঙবদা ‘মীৎ’ হায়বসিনা অচৌবা থৌদাং য়াই। মরম অসিননি, মী অমনা তূম্বদা মঙ মঙবগী ফেজ (তাঙ্কক) অসিবু ‘আর ই এম’ (রেপিদ আই মুভমেন্ট) ফেজ হায়না খঙনরিবা।

তূম্লগা মঙ মঙবা নত্তবা, তূমদনা মঙবা ‘মঙ’! মীওইববু ‘মী’ ওইহল্লিবা, অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদগী তোংঙানহল্লিবা, তূমদনা মঙবা মঙ অসিননি। কনাগুম্বনসু অসিগুম্বা মঙ মখল অসিবু ‘মকু মঙ’ হায়দুনা নেগেটিভ ওইবা মাইন্দ সেট অমদসু শীংথানৈ। মী অমবু মায় পাকপা, মীথোয়রবা অমা ওইহল্লিবা, অঙকপা কয়া তৌহল্লিবা, ওইথোক্তবা কয়া ওইথোকহল্লিবা-তূমদনা মঙবা মীওইবগী মঙ অসিননি। পুন্সিদা মঙ হায়বসি কয়ামুক মরু ওইবনো হায়ববু - ‘মঙ মঙদ্রবা মীদুদি মসা ককথৎপীখ্রবা উচেক্লুম্বনি’ হায়নরকই মমাঙঙৈদগী। মসাদুগী মতেং’না নুংশিৎকী ইপোমদা তাউদুনা উচেক্লা য়ৌনীংবা মফমদা য়ৌবগুম মীওইবগী মঙলান’না মসা ওইদুনা য়ৌবা ঙমদবা মফম লৈতে। হায়নৈ ‘দে দ্রিম’ মঙদ্রবা মীদুদি পুন্সি ফিদম মাঙখ্রবনি, করিমত্তা তৌররোই।

থাজবীদবরা? মী অমগী পুন্সিদা মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা - নহা ওইরিঙৈ মঙখিবা অসিগুম্বা মঙদুনা লেপ্পী। মিস ইন্দিয়া-য়ুনিভর্স-ফিল্ম-ষ্টার-শকহেনবীশিংগা নুংশি মরী থম্নদুনা লুহোংলুবগী মঙ... লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনান’না মহারাজকুমারিগা লুহোংদুনা লৌরগা নিংথৌনা লৈবাক তঙ্খায় পীদুনা নিংথৌ ওইনা পানখিবগী ৱারী - অদুগুম্বা মকু-মঙ মঙদবা নহারোল লৈরমগদ্রা লমসিদা! অদুবু, ঙসিগী মোদর্ন মেন, মতমগী নহারোল মরকসিদা, খুন্নাইসিবু শেমদোক্লবা, তুংলমচৎ’তু হোংদোক্লবা ‘অতোপ্পনা উবা ঙমদবা শক্তম অমা উ’ঙম্বা, অতোপ্পনা খনবা ঙমদবা ৱাখল অমা খন’ঙম্বা - মঙলান অমদা তাউদবা, মীনা ‘দ্রিমর’ কৌনবা, ঙসিনা ভিজনেরি কৌনরবা - মখোয়দুদি কৈদৌনুং, হিংদে ঙসিগী তাইবঙদা।

ৱারী অমখক লীজগে। ৱারী নত্তে লেকচর অমা, মায় পাক্লবা বিজিনেস মেন অমনা লীরম্বা। হায়বীয়ু ৱাখলদুদা করি ফাওবগে।

চহী মঙাগী মমাঙদা।

‘... ঐহাক নোংমদা পুং ১০ থবক শুরম্মী ... নুমিৎ তরুকনিনা শাবা চয়োল অমগী মনুংদুদা পুং তরা! নোংমাইজিংদা ওভরটাইম! ইমুংগী মী-নুপী অঙাং, ইমা, ইপা কনামত্তগা চামিন থকমিন্নদুনা মতম লেনমিন্নখিদে... চহী অমগী মনুংদা চয়োল অমত্তসু অহাঙবা অতিয়াগী মখাদা, কোরৌ মাগা শকচানবা ঙমখিদে... মতমদুদা খঙলকখি - পুন্সি নত্তে মসিদি। ঐহাক মঙ মঙবা হৌরকখি, হিংলিবা পুন্সিসি নত্তবা অতোপ্পা পুন্সি অমগী ... মতমদুদা হিংখিবা পুন্সিদুদই তোখাইবা, মান্নদবা পুন্সি অমা লেন্নবা...।

ঙসিদি।

থবক অদু থাদোক্লে। অয়ুক য়াহৌরকপা খুদিংগী, শেম শাই ঐহাক, ইশানা পামজবা নুংশিজবা থবক অদু তৌনবা। ঐহাকখক্তা নত্তে ঐগী খোঙবুরোই ওইনা থবক শুমিন্নরিবা মখোয় লাখ তরুক্তুগা লোয়ননা। খঙলে ঙসিদি ঐহাক-ঐগী মঙ মঙফাওনরক্লে। ঐগী মঙ, শেমগৎপীগদবা নত্তে অতোপ্পনা, শাগৎচগদবনি ইশানা। ‘দ অলকেমিষ্ট হায়বা লাইরিক্তুগী অইবা ‘পাউলো কোইলহো’না হায়রম্মী... ‘নঙগী মঙলান অদুবু মঙফাওনহনবা ঙম্লোইদৌরিবদুদি অতৈনা মরম ওইরগা নত্তে, নশাগী ঈদা চেল্লিবা তুংলমচৎকী অকিবদুনা মরম ওইরগনি...।

থবক অমা তৌবদা অতোপ্পনা ‘ঙম্নি/ঙম্লোই’ হায়রকপা, ‘ঐগী মঙ মঙফাওনররোই’ চিংনরকপা’ অদুগুম্বা নুংগী খোঞ্জেল তারুনু, অকিবনা লাকশিনহনগনু ... নঙবু মায়থীবা পীগদবদি নহাক নশাখক্তননি’... লীদরশিপ গুরুশিংনা হায়বনি। ঐগী খূৎশুমল ওইনা ফংলিবা থবক্তুদগী হেন্না শুনীংবগী অপাম্বদুনা লমজিংদুনা থবক শুরবা, থাজবীয়ু, ফংফম থোকপা খূৎশুমলদুদগী হেন্না ফংনবা লম্বী অমা লাক্কনি শুপশোয় শোয়দনা।

কনাগী ৱাহৈনো হায়বদুদি কাউখরে। ৱাহায় অমখক্তি ঙংদুনা লৈরি নাকোংসিদা ... ‘শিনাইদবা মপোক অমা ফংলবনি খন্না মঙ মংঙু, অদুবু, হয়েং শোয়দনা শিরগনি খন্না হিংঙু’...।

মঙ হায়বসি, তান্নবা অমা য়াওদনা কৈদৌনুংদা মঙফাওনরোই হায়বসিমদি নীংশিংসি।

—*ইন্দ্রকুমার*

# মীনুংশিগী পাউজেল পুরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল’ - মীৎয়েং অমা

অইবী মুতুম রমণী কুমজা ১৯৬১গী জুলাই ১৪দা খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা মুতুম মাঘো অমদি কোন্থৌজম নিংঙোল মুতুম ওংবী দসুমতি অনীগী মমোম ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম হোনীগা য়ূম্বাল পুন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপা অনী হীয়াইরেন অমসুং য়োইমরেন থোকচোমগী অপোকপী ওইজবা ফংখি। অইবীসি এম এ এল এল বিনি। মতম খরা প্রাইভেট কোলেজদা ওজা ওইরম্মী। মহাক্কী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি থম্মোয়না খোয়দাজবা গুলাপ (ঐগী শৈরেং ১৯৮৯), লৈচিলগী ইন্নফি (শৈরেং ২০১৯), ইঙাগী নোংজু (শৈরেং ২০২০), মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ (ৱারীমচা ২০২০) অমসুং ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল (ৱারীমচা ২০২১) অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মুতুম রমণী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএটতা সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরম্মী। নুপীশিংতগী ওইবা লোইনশিল্লোনগী লূপ অমা ওইরিবা লৈকোলগী পেত্রোন মেম্বরসু ওইরি। লোয়ননা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন অমদি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী লাইফ মেম্বর অমসুনি। মণিপুরী লোইনশিল্লোনবু হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা হায়বসি মহাক্কী পান্দমনি।


মুতুম রমণী

লাইরিক্কী মমিং :-
**ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল (২০২১)**
অইবী :- **মুতুম রমণী**
অফোঙবা :-
**লৈমরোল খোর্জেকোল**
**(লৈকোল), ইম্ফাল**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ৫০০/-**
লমায় মশীং - **২২৮**
লাইরিক্কী মখুম :-
**হীয়াইরেন থোকচোম**




মণিপুরী কলা সংস্কৃতিবু য়োকখৎপা পামজবা ওইবনা লোক্তাক খোর্জে লূপতসু ‘লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিরোল মনা’ কৎপীদুনা লমদম অসিগী অইবশিংবু পূক্নিং থৌগৎলি। অইবীনা লেপ্তুনা খোরিরোলদা লৌরিবা থৌদাং অমদি মহাক্কী লাইরিকশিংদা মনা মথুমশিংসু পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা লৈরে। নীংশিংবা য়াই, মহাক্কী লাইরিক ‘লৈচিলগী ইন্নফি’ হায়বসিদা ‘ঈপাক লিটরেরি এৱার্দ ২০২০-২১’ পীদুনা ইকায়খুম্নবা লৈখ্রে। খোরিরোল শন্দোক লূপ ৱাংজিংনসু লাইরিক অসিমক্তদা প্রিয়শখি নীংশিং সাহিত্য মনা-২০২১ পীখ্রে অমসুং প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিএসনগী কুমদম মনা ২০২১ অইবীগী ৱারীমচাগী লাইরিক মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ (২০২১) দা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা অচৎ চত্তা থৱায় পানবা পূম্নমক নুংশিবা হায়বা লীপূন অমনা মতম খুদিং চেৎনা পুন্দুনা থল্লি। মীওইবতা নত্তনা লমলক্তা লৈবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া পূম্নমক মচা নুংশিবা খঙই। মখোয়গী ওইবা তাইবঙপাল অমা অদুম লৈরি। মরোল থোক্তে হায়না ঐখোয় মীওইবনা খল্লবসু থৱায় পানবা পূম্নমক মাগী মাগী ওইবা খঙনবা মরোলদা, খোঞ্জেল অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা পাউ ফাওনৈ। উরি উপাল ফাওবা লোইনমক পাউ ফাওনৈ হায়বা ফাওবা লৈরি। অমরোমদা ৱাখল খনবা ঙম্বা অদুগা জীব পানবা পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী হৈথোই শিংথোইবা মীওইবনা মহৌশা অকোয়বদা লৈরিবা পোৎশকশিংবু লুনা, নুংশিনা লোয়নবীবদি মাল্লগা মীওইবা মশাগীতা হেন্না লুনা খনবা মানবা থৌওংশিং হেক হেক থেংনদবা নত্তে। মালেমসিদা লৈমিন্নরিবা জীব পানবা পূম্নমক মীওইবগী খূবাম্লুংদা থমদুনা পূম্নমক ঐখোয়গী ওইনীংবা অমদি শীজিন্ননীংবা মতৌশিংসু য়াওদবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা মীওইবা হায়বা কাঙলূপ অসিগী মরক্তা লমলক্কী শা-ঙা জীব-পানবা পূম্নমকপু লুনা নুংশিনা লোয়নবা অদুগুম্বা মীওইশিং য়াম্না লৈরি। অসিগুম্বা য়ূমদা লোয়বা শা-ষণ, হুই-হৌদোং, তেনৱা অমদি অতৈ উচেকশিংবু লুনা চান্না তৌজবা মীওইশিংগী মনুংদা অইবী রমণীসু অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। হন্দক্তা কুমজা ২০২১দা ফোঙখিবা অইবীগী ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল হায়রিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা পূন্না ৱারীমচা ১৪ য়াওরি। অয়াম্বা ৱারীমচাশিং অসিদা মরু ওইবা শক্তম লাংহল্লিবা অমদি সেন্ত্রেল থিমদি য়ূমদা য়োকপা জীবশিংগা মীওইবগা লৈনরিবা নুংশিরবা মীনুংশিগী মরী অদুনি।

অসিগুম্বা মখলগী ৱারীমচাগী খূৎই অসি মণিপুরী খোরিরোলদা তোয়না ইনদবা মখলগী খূৎই অমনি। মীওইবনা থৌওইনা খঞ্জিনলুদবা নুমিৎ খুদিং থেংনবা অপিকপা থৌদোক মচা মচাশিংবু খোরিরোলগী মরু ওইবা হীরম ওইনা লৌখৎতুনা ইরকপা হায়বসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। অমরোমদা অসিগুম্বা মখলগী ৱারীমচাশিং পারুরগা মীওইবদা য়াওরিবা মীনুংশিগী ঈরিক অদু নৌহৌননা য়েন্নিং চোংহল্লি। ৱাখল খন্থহল্লি অমসুং নুংশিবা পাউজেলনা থম্মোয় কয়াদা পাক শন্না শন্দোকহল্লি।

লাইরিক অসিগী ইহান হানবদা য়াওরিবা ৱারীমচা ‘ইবোপিশককী চৈশু’ হায়না মিংথোল্লিবসিদা য়েক্লিবসি মচা মশু লৈজদবা অহল ওইরবা ইবোপিশক অমদি মনিশংনা নুংশিনা লোয়জবা হৌদোং মপা মচাশিংগী নুংশিবা মতৌশিং নিংথিজনা ফোঙদোক্লি। ইবোপিশক লৈকায়গী ওইনা মাইবা শাবনি। অদুবু মহাক মমিৎ নিংথিজনা উদে। চৈশুগী মতেং নৎত্রবদি চৎপদা খুদোং চাদে। মনিশং অমদি ইবোপিশকনা য়ূমদুদা লৈরিবা হৌদোংশিংবু মমিং লোইনা থোনবী। মচাগুম্না নুংশিনা পীজ-পীথক তৌই। লৈকায়দুদা অনাবা অমগী চত্তবা য়াদবগী চৎলমদাইদা মীৎখু কৌবা হৌদোং লাবা অসিনা ইবোপিশকপু মতুং কোইন ইন্নদুনা করিগুম্বা অমদি থোক্কনি হায়বগী মতাগুম্না ইঙ্গিৎ তৌবা মতৌ অদু অইবীনা য়াম্না হৈনা ৱাহৈ খরনা ফোঙদোক্লি। চৈশু অদুদি ইবোপিশকনা অনাবা য়েংবীরুবা ইমুং অদুগী নুপামচা অমনা পায়রগা কন্দুনা শান্নরুবদা তেকখিবনি। য়ূমদা হল্লকপগী তাঞ্জাদুদা ইবোপিশকনা হায়রক্লি, *“মীৎখু! নঙনা ঐগীদমক্তা ৱাবসে ৱাইদকো। অয়ূক্তা নঙনদি মতাক্লবনি। চৈশুদো থোক্লবা অমা তৌরনি হায়দুনা। মীৎখুগী মখোল তারদুনা মনিশং থোং হাংদোক্লকই... মীৎখুনা মাং থারদুনা ইবোপিশক ইমুংদা চঙখ্রে”। ‘ইবোপিশককী চৈশু’ (লা: ৬)* মরোল থোক্ত্রবসু থম্মোয়গী ওইবা মরী অমনা হৌদোং অসিনা মিৎ উদ্রবা ইবোপিশকপু কোন্থোংদা ঙাইদুনা লৈরমদুনা ময়ূম ইমুং তম্না লমজিংদুনা পুশিনলকখি। মহাক্কী চৈশু অদুনা হৌদোং অসিনা ওইবদুনি নুংশিনা ফোঙদোক্লিবসি।

মীওইবনা মালেমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপা হৌরকপদগী হৌনা মীওইবগী খ্বাইদগী নক্লবা জীব অমা হায়রগদি ষণশিং অসিসু অমনি। লৌউ-শিংউ তৌদুনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী য়ূম্লিং খুল্লিংদুনা লাক্লিবা মীওইবা খুন্নাইদা মপাল নাইদ্রবা খুদোল অমদি য়ূমদা লোয়রিবা শা-ষণশিংনা তৌদুনা লাক্লি। তাইবঙ মীরোল খঙদ্রবসু থম্মোয়গী মরী অমদি চেৎনা পুন্দুনা লৈরি। অসিগুম্বা মরী অমা নীংথিজনা নুংশিনা য়েকপা ৱারীমচানি ‘মীৎয়েংদুগী অর্থ’ ইনাওবীনা খুঙ্গংগী চম্লবা পুন্সিদা হিংলিবা নোংমগী থবক শুদুনা মচাশিং অমদি ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনরিবা শুবা নোম্বা তন্দবা মীওই অমগী শক্তমদা নীংথিজনা ফোঙদোক্লি। তম্বা ঙমদবা লাইবক্লা লায়রবগী পুন্সিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুসু মতাং চানা নীংথিরবা চরৈগুম্না মফেল ফেল্লকপা থেংনৈ। ইনাওবীগী মকুবোক্লা মচানুপীগী অউন ষণ ওইনা পীরকখিবা ষণ হাতম অমা মচা নাওপুরবা মতমদা তঙাইফদনা য়োনবা তাখি। নুংশিনা মচাগুম্না লোয়জবা চাউবা হায়না মমিং ফাওবা থোনবীরিবা ষণদো ইনাওবীগী মমাগী অনাবগী লায়েংবদা চঙগদবা শেনফমদু থিফম খঙদদুনা খুদক্তা য়োনবা তাখি নুংঙাইতা নুংঙাইতনা। “চাওবদো হাবীবুল্লাহদা য়োনখিবা তারে। পৈশা শিন্নফম মফম অতৈ লৈত্রে, ইমাগী লায়েংবা থিন্থবা য়াদবনিনা চাওববু য়োনখিবা তাবনি”। ‘মীৎয়েংদুগী অর্থ’ (লা: ১৪) অইবীনা ৱারী অসিগী মিংথোল অসিমক য়াম্না চুনবা অমদি ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। তাইবঙ মীরোল ঙাঙদ্রবসু চাওবা কৌবী ষণ অসিনা মপূং ওইরিবা নাওবীবু বিদাই পীঙমদনা য়েংদুনা মীৎয়েং তাম্বা ফাওবা চৎখিবা অসিদা অপাবশিংদা মীনুংশিগী ঈফুৎ অমদি থম্মোয়দগী চেন্থহনবা ঙমহল্লি। “ইনাওবী লেপ্তুনা গাড়ী মথক্তা থাঙ্গৎতুনা পুখ্রবা চাওববু য়েংহৌরি। থৌখিবা গাড়ী মনীংদগী চাওবনা মমায় লৈথোক্লক্তুনা মীৎয়েংনা তাম্বা ফাওবা ইনাওবীবু য়েংল-য়েংলদুনা চৎখ্রি। ‘মীৎয়েংদুগী অর্থ’ (লা: ১৫)

শকউদবা থম্মোয়গী কাচিন অমদা মীওইবনা লোৎলগা থল্লিবা মীনুংশি হায়বসি য়াকাইহল্লিবা ৱারীমচা অমনি লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা ‘ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল’ । অইবীনা মহাক্কী ৱারোলদা অসুম্নসু হায়রি, “পুন্সিগী মিৎকুপ অমদি শরুক কয়াদা নপচদুনা তাংজদুনা লৈরিবা য়ূমশাশিং অমদি লমলক্কী শা, উচেক-ৱায়াশিংগা তাইবঙ মীওইবগা লৈনরিবা মরীসে মীৎনা উরিবা খরসিদি য়াম্না পিক্লবা মচেৎ অমখক্তনি। থম্মোয়গী কাচিন কোয়াদা লৈরিবা ফোঙদোক্তবা অমদি উবা ঙমদ্রবা, থম্মোয়দদি ফাওরিবা মরীসিদি ৱাহৈনা ফোঙদোকপদুদগী শরুক চা কয়া হেল্লমগনি। অৱাবদা, নুংঙাইবতা, পুন্সিগী খোঙথাং কয়াদা নীংশিংলুবা অমদি খন্থরুবা তৌদনা শকউদ্রবা চেৎলবা মরী অমনা পুন্দুনা লৈবিরো” মসিগুম্বা নুংশিবগী মরী অমনা নৌজরিবা নুপীমচা রাধানা মহাক্কী য়ূমদা লোয়বা হামেং অমগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা অসিদা শেমগৎলিবা ৱারীসি য়াম্না নুংশিবা ৱারীনি। ইমুং কোয়বদা য়ূমগী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুগা নুপাশিংনা চাওয়েং য়েংবা অদুগুম্বা মশক অদুসু ৱারী অসিদা ফজনা ফোঙদোকপা থেংনৈ। মীঙোন্দসু মতেং পাংনীংবগী ৱাখল লৈতবা অদুগা মশাগী মপোৎসু মীদা পীজনীংদবা মতৌ অমা ইবোতোম্বীগী শক্তম য়েকপদা য়াওরি। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী মচানুপী রাধানা লুনা নুংশিনা শেন্নজবা হামেং অদু মখোম শুমদোকপীদবদগী অরেম্বদা শিবগী নুংঙাইতবা ৱারীদু নুংশিবা পাউজেল অমগা লোয়ননা লীরি। “ইহ! রামধরনা করিগী তূমিন্না শঙ্গোম শুল্লিবা?” ইবোতোম্বীনা ঙাঙলিবা অসিদা মাগী নুপী কুঞ্জরানিনা চাজেনবী হামেংদুগী খল্লগা হায়রক্লি মীনুংশিগা লোয়ননা “শুমজরসনু কৈদৌরগে। ঐখোয়না শুম্বসু ঙমদে। মচাশিংনা থকচবসু মহয়নি করিনো” ‘ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল’ (লা! ৭২) মচানুপী রাধানা নুংঙাইতনা লৈহৌবা অদুগা হামেং অদুনা তাইবঙ মীরোলদি খঙদনা নীংঙমদনা নুংঙাইতনা শিখিবা অদুগা মিংথোল অসিদা য়াম্না চাশিন চুশিন্ননা ইবা অসিমক য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি। অসিগুম্বা মখলগী ৱারীমচাসি পারুবা মীওইশিংদা মীনুংশিগী ঈফুৎ অমা মতম খুদিং ফাওবা ওইসনু।

*-তোংব্রম অমরজিৎ*

# মঙলানগী তাইবঙ

ৱারী ককনাউ

‘মীশিংসে মশানা মশাবু মশক অমত্তা খঙজদে তৌরিসে?”

‘উম বোচৌ, হৌরক্লব্রা নঙগী হৌনবীদো? পোৎ খিতং হেক তাবগা ঙাঙবীদো?” গঞ্জাদু মৈ হৌখৈ চিংলগা ইবোহলনা মমায়দু হাইরপ থাঙ্গৎলগা মচিন্দগী মৈখুদু শাংনা কামথোক্লি। অদুগা মনাতোন মখুন অনীমক্তসু মনুংদা মৈ ওমদুনা চাকপদৌনা মৈখু মরী মরী কামথোক্লগা কংক্রদু বোচৌদা লানশিল্লগা হায়রকপনি। বোচৌ ৱা খরা হায়নীংবজাৎনি, অদুবু মনম-ও করি-ও মৈখু কারিবা কংক্রদু উবদা মতিন তাদুনা খূৎপায় চেৎনা পায়রগা অমুক্তং খৌরাংনা চিংখিববু, কংক্রগী মখুন মচেৎ অমা খুবী কারক্তা ফাৎলিবা অদুদা হুৎ হুৎ হুৎ লাওনা খপ্পমবদগী মাগী মচিংদু লাক্তনা হুউশ লাওনা অকোনবদা শ্বর হেক তৎত্রিফাও চিংখিবু, মৈ হৌরকইহে। ৱা অমত্তা ঙাঙদনা মমিৎ উইশিল্লগা মখূৎতুনা কংক্রদু ইবোহলদা লাম্থোরক্লগা শ্বর ঙাইহাক থিংলগা, মমাই থাঙ্গৎলগা তাইবঙপানসি পুংন্মম মমহল্লগে মতাগুম মৈখুদু তপ্লি তপ্লি কামথোরক্লি। বোচৌগী মতৌদু ইবোহলনা নোকফেৎ তৌনা য়েংজরি। মথম্মোয়দা খল্লি বোচৌসি মপুনা চানবীরেসে, মহাক মঙাল চপ চানা ফংলে। বোচৌনা অনীরক্লুম্বা মওং তানা চিংখখ্রবা হায়বসি লোইরবনি। রাউন্দ অমগা খৌরাংলিবা ইবোহলনা কংক্রদা য়াওরিবা মথীদু লৌথোক্লগা অনৌবা হাপ্পবা কন্না হোৎনরি। বোচৌনা মমিৎতি উইরুম উইরুম তৌরদুনা শোল্লি শোল্লি হায়রকই- “তাইবোহল, হৌজিক ভোট লেপ্পরিবনি হায়না তৌরিসে, মোইসি কনানো করিনো, লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবা য়াবা মীরা, নৎত্রগা মোইসি জেলগুম্বদা থম্বা য়াবা মীরা হায়সি মোই মশানা খঙজদে। অদুগা ঐখোয় ভোটরশিংনসু মোইসি মশক খঙদে সিনি ঐনা হায়রিসে”

“হোয়নে অদুবুদি চুম্মীনে, অদুদা হৌজিক কানসিদি ৱা ঙাঙবা য়াম লুরে, পংঙাঙ ঙাঙবা য়াদে, নাতৈ চাদ্রদি এন এস এ য়াম তাগল্লি হায় ৱানিদা ইয়াম্বনা হায়বদি”

“হোয় অদুবুদি চুম্মী, অদো ঐগীসিদি তাইবোহল খক্তদা সুম হায়বনি, নিশা খাইবগী ৱা নৎচদে, ফেক-টু-ফেক হায়জবনি। য়েংবীয়ু তাইবোহল, ঐখোয় এ সীসিদা ভোট লেপকনি হায়না তৌরিবা, শেল য়াম পায়খৎলক্লিবা নুপাসি কনানো? মানসু খঙদ্রে, মীনসু মাবু খঙদ্রে অদুবু তাইবোহল ঐদি মাবু খঙই”

“মা কনানো?”

“মা থিকাদারনি, অমরোমদা বিজিনেস তৌবা মীনি”

“থিকা তৌই হায়দুমদি খঙই, করি বিজিনেস তৌরিবা”

“হায়নবী বিজিনেস। হৌজিক মতমদা থুনা শেল পায়বা ঙম্বসে হায়নবী বিজিনেসনা অয়াম্বনি”

“হায়বদি নিশা’

“ওইবা য়াই, মমিংদি পন্নীংদে”

“উম! উম!”

“অদু নৎত্রগবু ঙরাংতা ময়ূম শেগাইবা অমদা লৈরম্বা মানা চহী অমা অনীসিদা কোনুংদৌনা শাবা ঙম্বরো? ঙম্ফম থোকপ্রো? মাবু কুবেরগী কোনুংদা চঙলগা সনাগী লৈহাও হেক্লুরগা শ্বাইদা য়োনবদগী পায়রি শেল লো? কদাইদৈ শেলনো? অদুগসু ভোট লেপকনি, লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌনি গাইনা হায়জসারিয়ে, বদমাস?”

“হায় হায় বোচৌ নঙ ৱাদু কনমল্লে, মী তারদি শোইননি, তোকও?”

“হুম সুম শাওনীংলকপা হায়নিমা, অদো তাইবোহল, থিকা তৌবা মীনা ময়ামগী ফনবনি হায়না, লৈবাক্কী খল্লগা শেন্দোং ফংদবী থবক শুরমগদ্রা, ক্রোর অমা তাবা থিকাদু, অচৌ অশাংশিংগী, পার্সেন্টেজ লৌবা মনুং অমদি মপানগী, এস ওদগী হৌরগা এঞ্জিনিয়র মথং মথং আ! মকোকফাওগী খাইদোকখ্রো, অদগী থবক শুবগী অচংবা শেল, পোৎ চৈ লৈবা, শুরিবা লেবরগী লোইনা খাইদোকখ্রগা মাগী কৈমতা লেমহৌদ্রদি কমাইনা থিকা তৌদুইবা। ময়াম পূম্নমক্কী শেলদু খাইখ্রগা মানা লাখ ৫০ লেম্নবা হোৎনরদি থবক্তুদি করি ওইনি। অদুনা কোয়লাস থারে, থা ফাদ্রিঙৈদা ফক্কাইরক্লিবা, য়ূম শারে, চহী ওনদ্রিঙৈদা নীংখাইরক্লিবা নৎত্রা। অদুগুম্বা মীদুনবু লৈবাক্কী করি খনদুইনো”

“চুম্মীনে বোচৌ”

“অদুবু মখূৎতা শেলদুদি পায়রবনিনা মী ময়ামগী মমায়সিদা শেনবুন ময়ামদু সর সর চাইথোরকপসিদা মঙোন্দগী হেন্না ফবা লুচিংবা লৈত্রদৌনা তৌরিশিংসিনা লৈবাকসে কাং খোং চাইহল্লবনিনে তাইবোহল”

“চুম্মী বোচৌ, অরানবা অমত্তা য়াওদে, অদো হৌজিক কৈদৌসি হায়বনো? ভোটতি কুইশিল্লক্ত্রে? মতিক চাবা লাইরিকসু য়াম হৈবা, মপুন্সি চূপ্পা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাক্লবা লায়রবা মনিদা ভোট লেপ্পু হায়না হায়রুবদা মানা য়ারক্ত্রে, মতিক চাবা মাগুম্বদি অমত্তা লেপত্রে, ঐখোয়বু কনাদা ভোট থাদদুইনো?”

“তাইবোহল, ৱারৌ য়াদে, ঐদি শেল লোইনা লৌথোক্লনি, অদুগা নোটাদা ওইনা থাদরনি”

“অদুনা ফরদ্রনে বোচৌ?”

“কনানা ফবনোদা, থাদফম লৈতবদগী থাদদুইনি। নৎত্রগনা ঐসু ভোট লেপ্পা তাবা। মরমদি নিশা লল্লোনবশিংনা ভোট লেপ্পা য়ারগা নিশা চাবা ঐদি করিগী ভোট লেপ্পা য়ারোইদৌরিনো?”

“হা-হা-হা নঙগী ৱাসিদি ইবো নোকতৌদা ঙাইরেহে। ঐখোয় লৈবাকসে মঙলানগী তাইবঙনি, অদুনা ঐখোয়সু মঙলানগী মীনি, নৎত্রো?”

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।